ইন্টিগ্রেটেড কলচরেল এসোসিএসন, খোংমননা শীন্দুনা নুমীৎ ১০নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা খোংজোম পর্ব্ব ৱার্কশোপ কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম খোংমন জোন থ্রীদা লৈবা আশ্রমগী কমপ্লেক্সতা হৌদোকখিবগী থৌরম

ওল ইন্দিয়া শীনবা থুংনা চথবা ৱাকৎ মীফমগী মনুং চন্না ওল ইন্দিয়া গ্রামিন দাগ সেবক য়ুনিয়ন মণিপুর দিভিজন নোর্থ ইষ্ট সার্কলনা শীন্দুনা ইম্ফালগী পোষ্ট ওফিস মনুংদা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লানিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা মল্টিকলচরেলিজম এন্দ এস্পেক্ট ওফ ট্রান্সলেসন হায়বা থীমদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা সিম্পোজিয়মগী থৌরম

আই সী এ আর দিরেক্টোরেট ওফ কোল্ডৱাটর ফিশরিজ রিছার্স ভিমটাল, য়ু কে ইন্দিয়া দিপার্টমেন্ট ওফ জূলোজি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, ইম্ফালনা শীন্দুনা মাহসীর নেটৱার্ক প্রোজেক্টকী মতাংদা খন্ন-নৈনবা

‘এল রামেশ্বরবু কেবিনেট মিনিষ্টরগী ফম পীবীয়ু’

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমল্লী মীখলদা মায় পাকখ্রবা কৈরাও এসেমল্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বরবু অনৌবা লৈঙাক অমা শেল্লকপা মতমদা ষ্টেট কেবিনেট মিনিষ্টরগী ফম অমা পীবীয়ু হায়না কৈরাও বিত্রগী ক্লব মরি- এল এম ৱাই সী, ৱাই দি সী সী, আই এল য়ু অমদি কে কে ৱাই দি ও অমসুং মৈরা পায়বী লূপশিংগা লোয়ননা কৈরাওগী লৈকাই মরিগী মীহুৎ ১০/১০না পুল্লগা শেন্বা নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী বি জে পিগী সেন্টরদা লৈরিবা লুচিংবশিং অমদি ষ্টেটকী লুচিংবশিংদা নীংশিংজরি হায়না নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ঐচ জাদুমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কৈরাও এ সী অসি চীং-পাৎ, তুরেল কয়ানা পুল্লগা শেন্বা শোত্থরবা এ সী অমনি। লন্বী-থোংগী ফীভম ফৎতবা, ঈথৈ-লৌখোং অমত্তা লৈত্রিবা, মহৈ-মশিনগী লমদা অৱাৎ-অপানা পীকথনবা, য়ুম্লৈ-কৈরৈগী ফীভম ফৎতবা, লায়রবা মীচম মীয়াম্না য়ান্বা এ সী অমা ওইবনা এম এল এ অমনা মেনখৎপদা অৱাবা হায়বদু ওইগদৌরি। মরম অদুনা এ সী অসিগী অৱাৎ-অপা অসিবু খরদং ওইরবসু মেনখৎপা ঙম্নবা কৈরাও এ সীগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বরবু ষ্টেট কেবিনেটকী ফম অমা শোয়দনা পীবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এক্সিদেন্টতা ১ শিরে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): ঙরাং নুংথিল পুং ৫.৪০ রোম তাবা মতমদা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নেসনল হায়ৱে ৩৭কী পাৎশোই এরিয়াদা টাটা বোল্ট অমা খঙহৌদনা মশা মথন্তা এক্সিদেন্ট থোক্কুনা মথক মখা ওনবদা গাড়ী অদুদা তোংলকপা নুপীমচা অমা শিরে, ৫ রোম্না অশোক-অপন নংখ্রে।

থৌদোক অদু কার অদুনা সগোলবন্দ তেরারোমদগী মনিং পাঙনা সঙাইথেললোমদা থৌরকপদা পাৎশোই এরিয়াদা ট্রক অমা থৌগৎলকপদা মদু থৈদোক্লবা হোৎনবদা এক্সিদেন্ট থোকপনি হায়রি।

পোষ্ট ওফিসতা ৱাকৎ মীফম ফমখিবগা লোয়ননা মার্চ ২৪দগী থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনগদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়াদা চথবা ৱাকৎ মীফমগী মনুং চন্না ওল ইন্দিয়া গ্রামিন দাক সেবক য়ুনিয়ন মণিপুর দিভিজন নোর্থ ইষ্ট সার্কলনা শীন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী পোষ্ট ওফিস মনুংদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। তাল্লিবা দিমান্দ অসি থবক্তা ওন্থোকপীরক্রবদি মার্চ ২৪দগী থবক লেপ্পগী খোঙজংসু চঙশিল্লগনি হায়রি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ওল ইন্দিয়া গ্রামিন দাক সেবক য়ুনিয়ন মণিপুর দিভিজন নোর্থ ইষ্ট সার্কলগী প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম ইবোহলবীনা ফোঙদোরকখিবদা, ঙসি ফল্লিবা ৱাকৎ মীফম অসি ইন্দিয়া শীনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা ৱাকৎ মীফমগী মনুং চন্না পাঙথোকপনি। কুমজা ২০১৬তগী সভেন্থ পে লাকখিবদগী পে কম্মিসন রেকমেন্দসনদা পমেসচন্দ্র পে কম্মিসন চ্যেরমেননা রেকমেন্দ তৌবীরম্লবা ইনক্রিমেন্ট অপগ্রেদেসন চহী ১০ খূদিংগী পীবগী অয়াবা পীখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৭তগী মদুগী মতুংইন্না সভেন্থ পে পীবা হায়না অয়াবা পীরবনি। চহী-চহীগী ওইনা পীবা ইনক্রিমেন্ট অদুদি অদুমক পীরি। অদুবু চহী ১০ শুরকপদা পীগদবা অদুদি পীদনা লৈবা মরম্না চাউরাক্লা চহী ২০ দগী ৩৫ শুবশিংদা চপ মান্ননা ফংমিন্নদুনা লৈরে। মসিদা থাগী তোলোপ য়াম্না চাউবসু নত্তবা অদুগা থবক্তি রেগ্যুলরদা লৈরুবদগী ঐখোয়না লোইনা শুদুনা লৈরিবনি। অয়ুক ৯দগী হৌরগা নুংথিল পুং ৫ দগী নুমীদাংৱাইরম পুং ৭ ফাওবা থবক শুহন্দুনা থল্লি। পুং হেন্না থবক শুরিবা ষ্টাফশিং অসিনা মখোয়গী ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংদনা লৈরি। ষ্টাফশিং অসিনা ফংফম থোকপা রাইট ফংবগী মহুৎতা পুং ৬ খক্তা থবক শুগদবনি হায়রগা পুং ৯ হেন্না থবক শুহনবা হায়বদু ওইরি। অদুগা থাগী তোলোপনা লুপা লিশিং ১৫দগী হেন্না পীবীদে। পোষ্টেল দিপার্টমেন্টতা মণিপুর পুম্নগী ওইনা লৈরিবা ষ্টাফ ২২০০ লৈবগী মনুংদা গ্রামিন সেবক ষ্টাফ ২০০০ ওইরিবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, দিপার্টমেন্ট ষ্টাফকী ওইনদি থা অমদা লুপা লিশিং ৭তগীনা লুপা লিশিং ৮ ফাওবা ফংই। ওল ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংবদসু জি এসকী ষ্টাফ অসি লাখ ৩নি। থবকসু জি এসনা লোইনা শুবা ঙাক্তনি। ষ্টাফশিং অসিগী মনুংদা লৈখিদবা য়াওরকপা মতমদা লুপা লাখ ৫ পীবা হায়বা ওর্দর অদুসু পীবীদে। শুপ্পগী লুপা লিশিং ৫০ খক্তা ওইনা লৈরি। চহী ১০ খূদিংগী গ্রেদকী মতুংইন্না ইনক্রিমেন্ট পীবীগদবনি। পুম্নমক অসি ফংদবদগী ৱাকৎ মীফম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

সিম্পোজিয়ম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): মল্টিকলচরেলিজম এন্দ এস্পেক্ট ওফ ট্রান্সলেসন হায়বা থীমদা নোংমগী ওইবা সিম্পোজিয়মগী থৌরম অমা দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা সিম্পোজিয়মগী থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসনগী হান্নগী এদিসনল দিরেক্টর অরিবম কুমারনা অথোইবা মীথুং, লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসনগী দিরেক্টর আই এ এস, টি ঐচ চিত্রানা থৌরম মপু অমদি সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী আর কে ভুবোনসনানা মীথুং ওইখি।

খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজগী দিন প্রোফেসর পোলেম নবচন্দ্রনা ৱাতেন্লোই ওইখি। দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী ওজা ডা. লনচেনবা অমসুং ওরিয়েন্টেল কোলেজগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. এম টি অচৌ অমসুং দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. এম সদানন্দনা ৱাঙাংলোই ওইখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না ডা. লনচেনবনা হায়, ট্রান্সলেসন তৌবা হায়বসি লুবা অমদি অরাইবা হায়বদুনি। ফজনা হন্দোক্লগনা ৱারীদুদগী লাপথোকপগুম্বা অদুগা হায়রিবমক্তুদা তৌরগনা অমুক ফজ দবা হায়বদু ওই। অদুবু মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমক ট্রান্সলেসন তৌবদি মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

মপোক নুমীৎ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জৈলূপ (ইমাখোল) অৱাং পোৎশংবমগী ২০শুবা মপোক নুমীৎকী থৌরম মার্চ ২৩গী নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১০ রোম তাবদা ইম্ফাল ইষ্টকী অৱাং পোৎশংবম খুনৌ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না ইমাখোলগী সেক্রেটরি ৱাহেংবম রোমেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অসিদা লূপ অসিগী থা ৬/৬কী ওইনা ফোঙলিবা চেফোঙ ঈরাওখোলগী ১২শুবা মশীং মীয়ামদা ফোঙদোকচবা অমদি খোরিরোলগী মনাসু লান্থোক্কনি। থৌরমসিদা লমদম অসিগী খোরিরোলবু থৱায় হাপ্পীরিবা খ্বাই খিবিক্লা শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

‘কেরলাগী এল দি এফ লৈঙাকপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি’

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা মার্চ ৩১দা মতম লোইরগদবা কেরলাগী রাজ্য সভা মেম্বর অহুমগী নৌনা পাঙথোক্কদবা মীখলগা মরী লৈননা লেফ্‌ট দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট লৈঙাক্না ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা কমরেদ পি সনাডোশ কুমার অমসুং দেমোক্রেটিক য়ুথ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট কমরেদ এ এ রাহিম অনীবু রাজ্য সভাগী এম পি ওইহন্নবা খল্লকপদা ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনা এল দি এফ লৈঙাকপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি কে ঐচ হিমালয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, রাজ্য সভাগী সিট অহুমগী মনুংদা লেফ্‌টনা সিট অনী শোয়দনা ফংগনি হায়বসি এ আই ৱাই এফ, এম এস সীগী অচেৎপা থাজবনি। লোয়ননা মতম শাংনা নহারোলশিংবু অচুম্বা লম্বীদা পুখৎনবা হোৎনদুনা লাক্লবা এ আই ৱাই এফ অমসুং দি ৱাই এফ আই অনীগী নহা লুচিংবা অনীবু রাজ্য সভাগী অনৌবা এম পি ওইহন্নবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা ষ্টেট অসিদা য়ুথ মুভমেন্ট হেন্না কনখৎহনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি। অসিগুম্লবা এল দি এফ লৈঙাক্কী খোঙথাং অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংনসু নহা ওইরিবা লুচিংবশিংবু রাজ্য সভাদা শরুক য়াহন্নবা হোৎনবনা লৈবাক অসিদা নহরোলশিংনা মায়োক্লরিবা থবক ফংদবগী অৱাবা খরমখৈদি কোকহনবা ঙমহল্লগনি হায়বসি এ আই ৱাই এফকী অচেৎপা থাজবনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

শৈরেং শৈদান্নবা অমদি শৈরেং শৈদিন্নবা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংলকপা চহী ৭৫ শুরকপগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোক্লিবা অজাদি কা অম্রিট মহোৎসব থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি লিবর্টি থিএটর ককচিংনা শীন্দুনা রিপ্রেজেন্টেটিভ ওফ লোইস ককচিংগী ককচিং চুম্নাংদা লৈমা মীপুনশঙদা লৈবাক নীংবগী শৈরেং শৈদান্নবা অমদি শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অদুদা ককচিংগী মমিং লৈরবা অইবা মীওই তরুক্লা শৈরেং পাথোকখি। লোয়ননা শৈরেং শৈদান্নবগী থৌরম অদুদা ককচিংগী তোঙান তোঙানবা স্কুলগী মহৈরোয় ১৫না শরুক য়াখি। থৌরমগী মখা চত্থরকপা ওইনা শৈরেং শৈদান্নবা লোইরবা মতুংদা মকোক মথং তারবশিংদা শেলগী মনা অমদি শকখঙচে পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি। লোয়ননা শৈরেং শৈদান্নবা অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংদসু কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা শেলগী মনা পীখি।

ঙসিগী থৌরমদুদা নাওরেম বিরমঙ্গোল হান্না ককচিং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অমদি য়েংখোম কেংবা অইবা অমসুং হান্না সাহিত্য সেবা সমিটি ককচিংগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

‘মীয়ামগী শীংবা ঙম্লরোইদবা লমন তোনশিল্লে’

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): হন্দক্কী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমল্লী মীখলদা হৈরোক এ সীদা মায় পাকখ্রবা বি জে পিগী ডা. থোকচোম রাধেশ্যামনা হৈরোক এ সীগী মীয়ামদা শীংবা ঙম্লরোইদবা লমন অমা তোনশিল্লে হায়না মীয়াম্বু তৌবীমল খঙবা উৎখ্রে।

ঙসি এম এল এ রাধেশ্যামনা মীফম মপু ওইরগা হৈরোক এ সীগী প্রমুখ, কো-প্রমুখ অমদি ইলেক্সন এজেন্টনচিংবগী অপূনবা ইলেক্সন রিভিয়ু মীটিং অমদা এম এল এ রাধেশ্যামনা হৈরোক এ সীগী মীয়ামনা মহাকপু থাজবা থম্বীদুনা অমুক হন্না এ সী অসিগী মহুৎ ওইহনবীবা অদুগীদমক থাগৎপা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ রাধেশ্যামনা হায়খি, হন্দক্কী মীখল অদুদা বি জে পিগী ৱার্কর পুম্নমক্লা অঙম্বা থাক্তা কন্না হোৎনবীবা অদুনা মরম ওইরগা মহাক্না মায় পাকপা ঙমজবনি। মসিগীদমক মীয়ামগী লমন চাউনা তোনশিল্লে। হন্দক্কী মীখল অসিদা মহাক্না পুন্না ভোট মশীং ১৩,৫৮৯ ফংখি। মখোয়শিং অসি বি জে পিগী অশেংবা ৱার্কর ঙাক্তনি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা ভোট পীবা পীদবা থিদনা হৈরোক এ সীগী চাউখৎনবগীদমক মহাক্কী অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। বি জে পিগী পান্দম ওইরিবা ঐখোয় চপ মান্ননা চাউখৎমিন্নবা হায়বা অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎকনি হায়বা ৱাফমশিংসু এম এল এনা থমখি।

হন্দক্কী মীখল অদুদা মহাক্না লম্বা পান্নখিবা মীরেপশিংনা অরানবা ওইদবা ৱাফম কয়া শন্দাক্তুনা মহাকপু মায় পাক্তনবা কন্না হোৎনখি। মসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা ফোর্স ময়াম অমা পুনশিল্লগা মহাকপু ইন্থুনবা কন্না হোৎনখি। হৈরোক এ সীগী বি জে পিগী টিকেট অসি মাঙজরবনি হায়না ফাওবা মীয়ামদা উৎ চাইখি। অদুবু ঙসিদি অচুম্বনা মায় পাকই হায়বদুনি, লান্দবনা মায় পাক্লে, হৈরোক এ সীগী মীয়ামদি অরানবা য়াদবা, অচুম্বগীদমক লেপ্পা মীয়ামনি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎখ্রে। হৈরোক এ সীগী মীয়াম শেলনা লৈবা য়াদে হায়বা অদুসু হন্দক্কীমীখল অসিনা ময়েক শেংনা উৎখ্রে। মসিগীদমক মীয়াম্বু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়খি।

পুলিসতি ভোট কাগন্দে হায়বা অদুসু হৈরোক এ সীগী মীয়াম্না লাল্লি হায়না উৎখ্রে। মসিগী মথক্তা এদ্যুকেসন পায়রম্বা মিনিষ্টরশিং মথং ভোট কাগন্দে হায়বা অদুসু হৈরোক এ সীগী মীয়াম্না লাল্লি হায়বা প্রুভ তৌখ্রে। মতম পুম্নমক্তা অচুম্বনা মায় পাকই, অরানবা তৌবশিংনা মায়থীবা নংই হায়না উৎপীবা অসিগীদমক হৈরোক এ সীগী মীহুৎ অমা ওইনা চাউথোকচবা ফাওজে। মহাকপু মায় পাক্লবা তুম্বা চাবা খঙদনা হোৎনবীখিবা পুম্নমকপু তৌবীমল খঙবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়বা ৱাফমসু এম এল এ রাধেশ্যামনা থমখি।

লূপ কয়ানা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা লেপ্তুনা তেংবাঙনরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবি সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা লন্নাই মীওইশিং অমদি লূপ কয়ানা লেপ্তুনা তেংবাঙনরক্লি হায়না য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পিবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ফেব্রুৱারী ১৮দা খুরাই সাজোর লৈকাইদগী মোইরাংথেম জিলাঙম্বনা মাগী মচানুপী মোইরাংথেম নিকিতাগী চহী ৩১ শুবগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা চেঙ বেগ অমা, য়েরুম প্লেট ২, অচাথাও লিটর ৫, ঙারি পেকেট ৫, অমুল কুল পেকেট ২৫, তুলশি দ্রোপ ১১, চোকোলেট, কেক, মেগি, গ্লসরিননচিংবা অঙাংশিংগীদমক পীবীরম্মী। ফেব্রুৱারী ১৮ নুমীৎসিমক্তুদা কোংপাল কোংখাম লৈকাইদগী লাইকংবম মেম্মা লৈমনা মহাক্কী অপোকপী ললাম্বুং মখোঙ তখেল্লম্বম লৈকাইদগী লাইকংবম মাইপাকপীগী লৈখিদবা চহী ১৮ শুরকপগী কুমওল নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীবগা লোয়ননা মখোয়শিংগীদমক বিস্কুইট বোক্স ১, য়েরুম প্লেট ২, শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০ সু পীবীরম্মী। ফেব্রুৱারী ২৫দনা কৈবী কুমুদাদগী থৌনাওজম জোন্সন মৈতৈনা মহাক্কী চহী ২৪ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা চেঙ কে জি ২০ পীবীরম্মী। ফেব্রুৱারী ২৭ তনা হরাওরোক্তগী থাংজম মুহিন্দ্রো য়ুঠ টিমনা চেঙ বেগ ২, আলু বেগ ১ পীবীরম্মী। মার্চ ৫দনা নোংপোক ককচিং অৱাং লৈকাইদগী নিংথৌজম প্রভানা মহাক্কী চহী ৪২ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীবগা লোয়ননা সাপোন, তাৱেলনচিংবা পীবীরম্মী। মার্চ ৬তনা খাবম লমখাইদগী ও-২ জিমনা জিম সিগী সেকেন্দ এনিভর্সরিগা মরী লৈননা অঙাংশিংগী চাক্লেন পীজবীবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক চেঙ কে জি ৮০, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং, শেল ওইনা লুপা লিশিং ২সু পীবীরম্মী।

মার্চ ৬ নুমীৎ অসিমক্তুদা সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তগী চবুংবম মঙ্গী অমদি চবুংবম ধনবতিগী মচানুপা চবুংবম মহেন্দ্রনা চেঙ বেগ ১, হৱাই কে জি ১৫, সোয়া বোরি কে জি ১, অচাথাও কে জি ৫, স্নো কুকি পেকেট ১, চিকন কে জি ৫, য়েরুম সেট ৩, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং, টুথ ব্রস মশীং ১২, টুথ পেষ্ট মশীং ১২, সর্ফ, ঙিম কেক, সম্পু, বোদি সোপ মশীং ২৪, হেয়ার ওইল মশীং ১৪, শমচেৎ মশীং ১২, হেন্দ ৱাস সেট ১ অসিনচিংবা পীবীরম্মী। মার্চ ৭তনা ব্রহ্মপুর অরিবম লৈকাইদগী গুরুময়ুম অমরকান্ত শর্ম্মানা মাগী মচানুপা গুরুময়ুম শর্ম্মগী চহী ২ শুরকপগী নুংঙাইরবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা চেঙ কে জি ৩০, য়েরুম প্লেট ২, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিংগা লোয়ননা অঙাংশিংবু শিংহারা, এপ্পীনচিংবা পীজ-পীথক তৌবীরম্মী। মার্চ ৮দনা উরিপোক বাচস্পতি লৈকাইদা লৈবা নিলকোলসন লৈমখুজম এক্সত্রিম জিমনা লৈখিদ্রবা এক্স-এম এল এ লাইশ্রম নন্দকুমার অমদি লৈখিদ্রবা ৱাঙ্খেমযুম রিমাকানবু নীংশিংবা ওইনা অঙাংশিংগীদমক ফৌ বোরা ৬ অমদি লুপা ১০০০ তেংবাঙবীরম্মী। মার্চ ১২দনা ৱাঙ্খে অয়াংপল্লিদগী হিদাম বাশুনা অঙাংশিংগা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মখোয়বু অচা-অথক পীজবীবগা লোয়ননা ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং পীবীরম্মী। মার্চ ১৩দনা ব্রহ্মপুর গুরুঅরিবম লৈকাইদগী লাইপুবম ভীকাস শর্ম্মনা মাগী চহী ২৪ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীরম্মী। মার্চ ১৪দনা রিমস রোদ, ললাম্বুং হায় স্কুলদা লৈবা সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুরনা য়ুনিয়নসিগী ৭লকশুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম হোমদা পাঙথোকপীদুনা অঙাংশিংগীদমক মীতৈ চেঙ বেগ ২, সুপরফাইন চেঙ বেগ ২, য়েরুম বোক্স ১, অচাথাও লিটর ১০, আলু বেগ ১, চিনি কে জি ১০, চনম পেকেট ৩, থুম পেকেট ৫, কোবী কে জি ২০, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং পীবীবগা লোয়ননা ক্লাস আইটকী অঙাং ৪, সিক্সকী ২, ফাইভকী ১, ফোরগী ১, টুগী ১, ৱানগী ৩গী ক্লাসকী টেক্স বুক পুম্নমক পুবীরকপগা লোয়ননা মখোয়বু অচাপোৎশিংসু পীজবীরম্মী।

মার্চ ১৪ নুমীৎসিমক্তুদা নুঙ্গোই অৱাং লৈকাইদগী মুতুম মালংবনা মাগী চহী ২৪ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক য়েরুম বোক্স ১, কেক, লিক্লাগী হৈ মহি লিক্লী মচা ৩০ পীবীরম্মী। মার্চ ১৫দনা উরিপোক পঞ্চাই মনিংদগী লাইশংবম প্রেমজিৎ অমদি মাগী লোয়নবী লাইশংবম ওংবী মেনেকানা মখোয়গী মচানুপী চংখোনবী চনুগী চহী ১ ফারকপগী অহানবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক মীতৈ চেঙ বেগ ২, সুপরফাইন বেগ ২, হৱাই কে জি ১০, ঈশিং পেকেট ১, অচাথাউ লিটর ৫, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং পীবীবগা লোয়ননা অথুম-অহাওনচিংবসু অঙাংশিংবু পীজবীরম্মী। মার্চ ১৫ নুমীৎসিমক্তুদা কৈশামথোং লৈরক অচৌবদগী এলাংবম তোনিনা মাগী য়ুম্বান লম্বীদা খোঙদারকপা চহী ১ ফারকপগা মরী লৈননা তিলহৌ বেগ ১, আলু বেগ ১, এপ্পী বোক্স ১ পীবীবগা লোয়ননা অঙাংশিংবু শিংহারা, জেলিবি, মিক্সচরনচিংবসু পীজবীরম্মী। মার্চ ১৫ নুমীৎসিমক্তুদা সগোলবন্দ তেরা য়েংখোম লৈরক্তগী লুক্রাম ওংবী ইবেতোম্বীনা মাগী লৈখিদ্রবা মপুরোইবা লুক্রাম নন্দকুমারগী লৈখিদবা ৫শুবা কুমওনগা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক মীতৈ চেঙ বেগ ১, সুপরফাইন চেঙ বেগ ১, অচাথাউ লিটর ৫, আলু বেগ ১, হৱাই, তিলহৌ, চনম, বিস্কুইট, অথুম-অহাও অমদি ঙা কে জি ১০ পীবীরম্মী।

মীয়ামগী তেংবাঙখক্তনা হিংজরিবা হোমসিগী অঙাংশিংবু নুংশিবীদুনা তেংবাঙবীরক্লিবশিংগী মফমদা হোমগী অঙাংশিং, মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা তৌবীমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ꯑꯪꯀ ꯊꯦꯜ ꯴ꯥ

MANIPUR RURAL BANK

H.O. KEISAMPAT IMPHAL

POSSESSION NOTICE

(For immoveable property) Rule-8(1)

Whereas the undersigned being the Authorized Officer of the Manipur Rural Bank under the Securitization and Reconstruction of Financial Assets and Enforcement of Security Interest Act, 2002 and in exercise of powers conferred under section 13(2) read with rule (3) of the security interest (Enforcement) Rules, 2002, issued Demand Notice (s) upon the following borrowers calling upon them to repay the amount mentioned in the Notice (s) within 60 days from the date of said notice(s).

The borrower(s) having failed to repay the amount, notice is hereby given to the borrower(s), in particulars and the public in general that the undersigned has taken possession of the properties described herein below in the exercise of powers conferred on him under section 13(4) of the said Act read with Rule (8) of the said rules on the date mentioned below against their names.

The borrower(s) in the particular and the public in general are hereby cautioned not to deal with the properties and any dealings with the property will be subject to the charge of the Manipur Rural Bank for the amount(s) mentioned below and interests thereon.

Sl. No	Name of the Borrower,Account No.& Branch	Date of the Demand/ SARFAESI Notice	Claim Amount as per demand Notice	Description of property(s)
1	Longjam Lalleiba Meitei S/o L.Ibohal Meitei New Checkon Mandop Leirak Imphal East District Manipur-795005 A/c No. 9017300010502 Porompat Branch	20-10-2021 Date of 13(4) 14-03-2022	Rs. 3,28,894/-	Deed No. 1213 dated 21-04-2015, Patta No. 207/A, C.S. Dag No. 102/270, measuring an Area of 0.1151 Acre Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Longjam Lalleiba Meitei S/o L.Ibohal Meitei situated at Village No. 102-Hafiz Hatta, Imphal East District Manipur
2	Thongam Pishakmacha Devi W/o Th.Nilbabu Singh New Checkon Mandop Leirak Imphal East District Manipur 795005 A/c No. 9017300008839 Porompat Branch	20-10-2021 Date of 13(4) 14-03-2022	Rs.1,33,936/-	Deed No. 86 dated 12-01-2015, Patta No. 104(A)(New), C.S. Dag No. 136/P, measuring an Area of 0.028 Acre Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Thongam Pishakmacha Devi W/o Th.Nilbabu Singh situated at Village No. 102-Hafiz Hatta, Imphal East District Manipur
3	Nongthombam Herokumar Singh S/o N.Ananda Singh Nongmeibung Chakpram Leikai Imphal East District Manipur 795005 A/c No. 9017250000002 Porompat Branch	20-10-2021 Date of 13(4) 14-03-2022	Rs.3,92,569/-	Deed No. 1193 dated 12-05-2005, Patta No. 13(Old)/91/227(New), C.S. Dag No. 369/417, measuring an Area of 0.0065 Acre Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Nongthombam Herokumar Singh S/o N. Ananda Singh situated at Village No. 26-Wangkheirakpam Leikai, Imphal East District Manipur.
4	Keisham Shila Devi W/o K.Kumar Singh Soibam Leikai Khanglabung Imphal East District, Manipur 795005 A/c No. 9017300007580 Porompat Branch	29-06-2018 Date of 13(4) 14-03-2022	Rs.9,47,378/-	Deed No. 2878 dated 31-10-2015, Patta No. 325Ang(Old) 891/1967(New), C.S. Dag No. 1482/1961, measuring an Area of 0.02 Acre Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Keisham Shila Devi W/o Keisham Kumar Singh situated at Village No. 25-Soibam Leikai, Imphal East District Manipur.
5	Rajkumar Bobby Singh S/o RK Dhimchandra Singh Lamboi Khongnangkhong Vetinary Leirak Imphal West District Manipur 795004 A/c No. 9001300020156 Imphal Branch	20-10-2021 Date of 13(4) 15-03-2022	Rs.5,05,662/-	Deed No. 4073 dated 18-10-2017, Patta No. 51Ang(Old) 981(New), C.S. Dag No. 1193/1577, measuring an Area of 0.0250 Hectare Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Rajkumar Bobby Singh S/o RK Dhimchandra Singh situated at Village No. 91(A)-Lamphelpat Imphal West District Manipur.
6	Potshangbam Noren Singh S/o P.Kunjabi Singh Khagempalli Pankha Nganapithong Imphal West District Manipur 795001 A/c No. 9011300007849 Kwakeithel Branch	13-01-2020 Date of 13(4) 15-03-2022	Rs.1,98,980/-	Deed No. 2302 dated 20-06-2016, Patta No. 333(Old) 369/2008(New), C.S. Dag No. 1009/1535, measuring an Area of 0.0235 Hectare Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Potshangbam Noren Singh S/o P.Kunjabi Singh situated at Village No. 43-Khagempalli Imphal West District Manipur.
7	Thangjam Nanda Singh S/o Th.Tombi Singh Pungdongbam Mayai Leikai Imphal East District Manipur 795010 A/c No. 9005300013758 Lamlong Branch	11-09-2018 Date of 13(4) 16-03-2022	Rs.7,77,591/-	Deed No. 64 dated 18-01-2017, Patta No. 513(New), C.S. Dag No. 292, measuring an Area of 0.24000Acres Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Thangjam Nanda Singh S/o Th.Tombi Singh situated at Village No.27-Pungdongbam Imphal East District Manipur.
8	Takhelmayum Homendro Singh S/o Takhelmayum Ibomcha Singh Top Awang Leikai Imphal East District Manipur 795005 A/c No. 9005300018841 Lamlong Branch	11-01-2022 Date of 13(4) 16-03-2022	Rs.10,60,372/-	Deed No. 382 dated 13-01-2006, Patta No. 848/1414(New), C.S. Dag No. 697/952, measuring an Area of 0.1425Acres Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Takhelmayum Homendro Singh S/o Takhelmayum Ibomcha Singh situated at Village No. 38-Top Dusara Imphal East District Manipur.

Sd/- Authorised Officer,
Manipur Rural bank

HL-B/7540/17